# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 16-07-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথ্নবদা লালহৌবা য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-অককবা পাউ অমা ফংবদগী ঙরাং রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথ্খি। মদুদা বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লাইঙৌবী মনিং লৈকাইদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এগী কাদর অমা ফাখি। মহাক ম্যান্মারদা নুমিৎ ৩০ নিগী ত্রেন্নিং ফংলবা মীওইনি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমদি ককচিং জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া অমসু ফাগৎপা ঙমখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-মোটোর ভেহিকল এক্ট ঙাক্তবা মীওইশিংগী মথক্তা মনিপুর পুলিসনা থবক লেপ্তুনা লৌখৎলি। ঙরাং ত্রাফিক রুল ঙাক্তবা মীওই কয়া দিটেন্ট তৌহনখিবদা নত্তনা ফাইন কয়াসু থিহনখি হায়রি।

অরোমদা, থৌবাল জিলাগী লিলোং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লিলোং আলিয়া লমখাই এরিয়াদগী মাঙখিবা গাড়ি মরি ফংবা ঙমখ্রে অমদি জিলা অসিগী লিলোং তমিয়াই আই.ভি. রোড এরিয়াদগী মীওই অমা ঙরাং মনিপুর পুলিসনা গাড়ি হুরান্নবগী হোৎনরম্লদগী ফারে। মঙোন্দগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা হোন্দা এক্তিভা অঙৌবা মচু অমা ফংলে হায়রি।

**ফ্লড (এল)ঃ** হৌখিবা অহিং নোংয়াইদা লেপ্তুনা নোং চুবদগী নোনে জিলাগী

খৌপুম তম্পাক ঈশিং থুমজিল্লে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী-অগুই কামৈনা হায়-ঈশিং থুমজিনবা অসিনা মরম ওইরগা লৌফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। মসিদসু নত্তনা খৌপুম দামগী মনাক্তা লৈবা য়ুম কয়াসু ঈশিং থুমজিনখ্রে। ঈশিং থুমজিল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা শা-ষন কয়া শিরে। মফম খরদদি চিং নিংখায়বগী থৌদোক কয়া থোক্লি। ইলেক্ট্রিক্টকী পোলশিং ঈশিং থুমজিনখিবদগী মফম অসিদা মৈ ফংদবগী অৱাবা মায়োকরি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা কোবিদ নাইন্তিনগী এক্তিব কেস ২২ লৈরি। ঙরাং নৌনা পোজিটিব ওইবা মীওই অনি থেংনখি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-নৌনা পোজিটিব ওইরকখ্রবা মীওইশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী অমা অমসুং তমেংলোংদগী অমনি। ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টতা মীওই তরেৎ টেষ্ট তৌখি। অদুবু, পোজিটিব ওইবদি য়াওখিদে। ইম্ফাল ৱেষ্টতা মীওই ৯ টেষ্ট তৌবদা মীওই অমা পোজিটিব ওইখি। ককচিং অমসুং থৌবালদা মীওই অমমম টেষ্ট তৌবদা অমত্তা পোজিটিব ওইখিদে। তমেংলোং জিলাদা মীওই অনি টেষ্ট তৌবদা অমা পোজিটিব ওইখি।

মনিপুরদা কোবিদ পোজিটিব ওইবা অপুনবা মীশিং ৩২৬ শুখ্রে। মসিগী মনুংদা নাবা ফরক্তুনা মীওই ৩০৪ দিচার্জ তৌখ্রে। হৌজিক এক্তিব কেস ২২ খক্তা ঙায়রে।

**চান্দেল(এল)ঃ** মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড য়ুথ স্কিলস ডে থৌরম ঙরাং দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার চান্দেলনা শিনদুনা জিলা অসিগী লিৱা চংনিংদা লৈবা সেন্ট পোলস হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা চান্দেলগী দি.এফ.ও. ডা: এন. মুনাল মীতৈনা হায়-মালেম পৃথিবীনা ঐখোয় মীওইবা য়াওনা জিবশিংবু ৱাৎত-পাদনা

হিংহল্লিবনি। অদুবু, ঐখোয় মীওইবনা মহৌশা লাইরেন্বীগা কয়ামুক য়ামা নুংশিননা হিংমিন্নরি হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি। মহাকা হা-ভারতকী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৫০ দি চহি ২৫ গী মখাদা লৈবা নহাশিংনি। মরম অদুনা, লৈবাক অমা শেন্বদা অমদি লৈবাক অদুবু চাউখৎহনবদা নহাশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। হৌখিবা চহি ২০১৪ দগী ভারত সরকারনা স্কিল ইন্দিয়া হৌদোকখ্রবসু লৈবাক অসিগী স্কিল ইনদেক্স অসি শুপতগী চাদা ৪.৬৯ খক্তমক ওইরি। হায়রিবা ইনদেক্স অসি কোরিয়ানা চাদা ৯৬ অমদি জপাননা চাদা ৮০ ওইদুনা চৎলিবনি।

থৌরম অদ্দা য়ুথ ইম্পৱারমেন্ট থ্রু আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স এন্দ দিজিটেল স্কিল হায়বা হীরম অসিগী মতাংদা অখণ্ড অহে কয়া য়াওনা কুপা খন্নখি। থৌরম অদুদা সেন্ট পোলস হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল-বেনজামিন কোদাইসু শরুক য়াখি।

পালন থৌরম অসি ভারত লান্মীনসু ঙরাং মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুরখুলদা সরদার পতেল হায়স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহৈরোইশিংদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স অমদি অনৌবা টেকে ালোজি কয়াগী মতাংদা খঙহন্নবগী পান্দমদা দিজিটেল স্কিল এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখি। লান্মীগী ওফিসিএলশিংনা সরকারগী লৈরিবা প্রোগ্রামশিং মরুওইনা-দিজিটেল ইন্দিয়া, এ.আই. ফোর য়ুথ, প্রধান মন্ত্রি কৌসাল বিকাশ য়োজনা অমদি অটল ইনোভেসন মীসনগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা খঙহনখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা লৈবা, মোইরাং মল্টি পরপজ হয়ার সেকেন দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবা পালন থৌরম অদুদা ক্লাস এলভেন অমদি টুয়েল্ব তল্লিবা মহৈরোইশিংনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তমবগী কান্নবা কয়া পীবা মোটিভেস্নেল সেসন পাঙথোকখি। মসিদসু নত্তনা ভারত লান্মীনা এস.বি.আই. ফাউন্দেসন অমদি নেসনেল ইন্টিগ্রীতি এন্দ এদুকেসনেল দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগা খুৎশমদুনা পায়খৎলক্লিবা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়াগী

মতাংদসু মহৈরোইশিংদা খঙহনখি।

অমরোমদা, লৈমখোং গেরিসনদসু ভারত লান্মীনা শিনদুনা ইম্পৱারিং য়ুথ, ইনেব্লিং প্রোগ্রেস হায়বা হীরমদা কম্যুনিতি আউটরিটচ ইভেন্ট অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মনাক নকপদা লৈবা নহাশিং অমদি মহৈরোইশিং শরুক য়াখি। মদুদা, নেসনেল স্কিমশিং, মরুওইনা স্কিল ইন্দিয়া মীসন, পি.এম.কে.ভি.ৱাই অমদি নেসনেল স্কিল দিবলপমেন্ট কোরপোরেসনগী তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রামশিং অসি করমা কান্নবা লৌগনি অমদি শিজিন্নগনি হায়বগী মতাংদা খঙহনখি হায়রি।

**মৈ(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী য়ুরেম্বমগী তাকয়েল সব দিভিজননা কোনবা হৈক্রুজম খা-জিরি অমদি কাংমোংনচিংবা মফমশিংদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মৈ চাং নাইনা ফংদবা য়াই।

এম.এস.পি.দি.সি.এলনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-য়ুরেম্বম সব ষ্টেসনগী ৱেষ্টন ফিদরনা মৈ পীবা কঞ্জুমরশিংগী মৈ মতম খরা চাং নাইররোই। মরমদি, হায়রিবা ফিদর অসি হৌজিক শেমজিন শাজিনবগী থবক চথরি।

**অধারঃ** য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (য়ু.আই.দি.এ.আই) না চহি তরেৎকী মথক্তা লৈবা অঙাংশিংগী মমা-মপাশিংদা অথুবা মতমদা অঙাংশিং বাইওমেট্রিক অপদেদ তৌবীনবা হায়রি।

য়ু.আই.দি.এ.আইগী চেরোল অমনা হায়-চহি তরেৎ শুরবা অঙাংশিং বাইওমেট্রিক অপদেদ তৌদবশিং তঙাহফদনা বাইওমেট্রিক অপদেদ তৌবিয়ু। ইলেক্ট্রোনিক অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি মন্ত্রালয়না হায়-হায়রিবা গাইদ লাইন অসিগী মতুং ইন্না চহি মঙাগী মখাদা লৈবা অঙাংশিং ফিঙ্গর প্রিন্ট নৎত্রগা আইরিস স্কেন তৌবগী মথৌ তাদে। করিগুম্বা অঙাং অমনা চহি মঙা হেক শুরবদি বাইওমেট্রিক অপদেদ শুংশোয় শোয়দনা তৌবিগদবনি। অঙাংশিংনা

চহি তরেৎ শুরবা ফাওবদা বাইওমেট্রিক অপদেদ তৌদ্রবদি অধার নম্বরশিং অসি দি-এক্তিবেট তৌবা য়ানা লৈ।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎখিবগী পাউ অমদি পার্লিয়ামেন্ট মীফমগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

পোকফমদা-সেক্যুরিতি ফোর্সেসনা নোংমৈ ৮৬, মরু ৯৭৪ ফাগৎখ্রে হায়না ফোটোগা কোন্ননা অহানবা হেদলাইন তৌরে।

পোপুলর গভরমেন্ট শেন্বগী মমি উদ্রি, পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা পি.আর. শাংদোকপগী রিজোলুসন পুথোক্কদৌরি হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরে।

সনা লৈবাক্তা-কুকিশিংনা নাগাগী লম খোপচিল্লকপগী মতম কক্তনা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে হায়বা পাউ অমা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

চুরাচান্দপুরদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মিলিটেন্ট ফানবা হোৎনবদা মীয়ামনা অপনবা পীরকপদগী ফাবা ঙমদনা হন্দোরকখ্রে হায়বা পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউগী হকথেংনবা পাউদমদা-রিলিফ কেম্পতা কোলোন কেন্সরগী সেকেন্দ ষ্টেজকা শাগোন্নদুনা হিংলিবা দিলিপনা হায়-ইশাগী অনাবা লায়েংনবা হোৎনবদা শেল লৈরক্তবদগী ইচানা তমনিংবা দি.এম. কলেজতা তমহনবা ঙমদ্রে হায়না ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-এন্টি রিপ্রেসন ডে পাঙথোকখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-মিজোরামগী সি.এমনা ম্যান্মার কনফ্লিক্টকী মতাংদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা উন্নদুনা খন্নখ্রে হায়না অহানবা

লামাইদা ফোংলি।

হোম মিনিস্তর-অমিত সাহনা মনিপুরগী ফ্রিদম ফাইটর-নিলামনিদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে হায়বা পাড অসিনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলে।

হিন হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-মোদি সরকারনা বিল ৮ পুখৎকদৌরি, মসিদা মনিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল শাংদোকহনবগী ৱাফম য়াওরকপা য়ারি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-ফুটহিলস নাগা কোওর্দিনেসন কমিতিনা থা অসিগী ১৮ দগী নাগা তাবা লমশিংদা মতম কক্তবা ব্লোকেড অমদি জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-নপসাগী চেং ফংহনদবগী মায়োক্তা তমেংলোংগী তোঙান তোঙানবা সি.এস.ওশিং পুনশিনদুনা জিলা অসিদা অচৌবা রেল্লি অমা থা অসিগী ১৮ দা চৎকদৌরি হায়না ফোংলি।